# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-12-2025)**

**পুলিস (এল)ঃ** মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বা অমদি এরিয়া দোমিনেসন লেপ্পা লৈতনা চখুরি।

রাজ্য অসিগী মফম ১১৩ দা চেক পোইন্টশিং হাংদোক্তুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌবগী থবক লেপ্তুনা চখুরি অমসুং নেসনেল হায়ৱেশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীকুপ নাহুমশিংনা য়েংশিল্লি।

পুলিসকী পাউনা হায়-সঙাই ফেষ্টিবেলদা শরুক য়ারুবগীদমক মনিপুরগী শুমাং লীলা লুপশিংগী মীহুৎ খরা অমদি অতোপ্পা আর্টিষ্টশিংদা কিহন-খঙহল্লকপদা চেন্নবনি হায়বা জি-ফাইবকী মীওই অহুম সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফারে। আর্টিষ্টশিংদা কিহল্লকপা অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমদি ককচিং জিলাদা পুন্না কেস মঙা রেজিস্তার তৌদুনা থিজিনবা হৌরকখিবনি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না থঙ্গাল বজারগী মেজোর খুল গেট মনাক্তগী আইননা থিংখ্রবা লুপ প্রিপাক (প্রো) গী এক্তিব কাডরনি হায়বা মীওই অমা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাখি। লুপ অসিগী এক্তিব কাদর অমসু খুরাই চাইথবী লৈরক্তগী ফারে হায়রি। লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং কবুই খুলদগী প্রিপাক্কী এক্তিব কাদরনি হায়বা মীওই অমসু ফাগৎখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং অনতা নিশাবন্দনা পুন্না জাফৌ বজারদগী লুপা লাখ অমা লিশিং ৫০ রোমগী হিদাক মনাগী পোৎলমশিং ফাগৎলে হায়রি।

ঐখোয়গী চান্দেল পাউমী-জেরে মোয়োননা পুলিসকী পাউ পল্লদুনা হায়-মফম অসিদা ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং অনতা নিশা বন্দনা পুন্না থিবা

হুম্বগী থবক চথুবদা য়াম্লবা হিদাক মনাগী পোৎলমশিং অসি ফাগৎখিবনি। পোৎলমশিং অসিগী মনুংদা তলব-জরদা, বেগ ১৬, চুরুপ বাক্স ১৯, তলব কারটুন বোক্স অহুম, সাজন পেকেট ৩০, নবালা বোড়া ১২ অমসুং রাজ খৈনি পেকেট ২৪৫ য়াওরি। মসিগা মরী লৈননা চান্দেল পুলিসনা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎখ্রে। পোৎলমশিং অসিগা ফাগৎলবা মীওইশিং সিগরেট এন্দ আদর তোবেকো (কোতপা) এক্ট ২০১৪ গা মতুং ইন্না ফাইন থিহনখি। ফাগৎলকপা পোৎলমশিং অদুসু মীয়াম মাঙহনখ্রে।

**ইন্দিগো(এল)ঃ** মমাং থাদগী ইন্দিগো ফ্লাইট সার্ভিসশিংদা অপনবা কয়া লৈরকপদগী পেসেঞ্জরশিংদা খুদোংচাদবা মায়োকরকপদগী সিভিল এভিয়েসন মন্ত্রালয় য়াওনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

সিভিল এভিয়েসনগী দাইরেক্তর জেনরেল (দি.জি.সি.এ) না কৌখিবা মীফম অদুদা মন্ত্রালয় অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং, ইন্দিগোগী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি। পনবা য়াবদি, নোংমদা ইন্দিগোগী ফ্লাইট ২০০ রোম কেন্সেল তৌরকপদগী মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরকখিবনি।

দি.জি.সি.এগী ৱারোল মতুং ইন্না ফ্লাইট কেন্সেল তৌবগী ৱাথোক অসি অনৌবা ফ্লাইট দ্যুতি টাইম লিমিটেসন চৎনবা হৌরকপদগীনি। মসিদা ক্রু মেম্বরশিং শিন্দোক শিনজিন তৌবা অমদি নীংথম থা চংল্লকপগী তোঙান তোঙানবা থবকশিংদা অহোংবা লাকপদগী খুদোংচাদবা অসি মায়োক রকপনি হায়না ইন্দিগোগী মায়কৈদগী ফোংদোক্লি। মরম অসিনা, মখা তানা নুমিৎ খরনি ফ্লাইট কেন্সেল তৌবগী খুদোংচাদবা মায়োকরকপা য়াই হায়রি। অদুম্মকপু মীয়ামনা থেংনরিবা খুদোচাদবশিং খরা হন্থনবগীদমক থা অসিগী ৮ দগী ফ্লাইটকী মশিং হন্থরবা য়াই।

দি.জি.সি.এগী মায়কৈদগীসু থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অদু কোকহন্নবা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং অথুবা মতমদা পায়খৎনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মনিপুরগী ওইনসু ফ্লাইট দ্যুতি টাইম লিমিটেসনগী অনৌবা চৎন কাঙলোন লাকপা অসিনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা ইয়ারলাইনশিং মরুওইনা-ইন্দিগো ইয়ার লাইন্সকী ফ্লাইটশিং পাইবগী মতম থেংথবা নৎত্রগা কেন্সেল তৌরকপা য়াই হায়না ইম্ফাল ইয়ারপোর্টকী মায়কৈদগী ফোংদোরক্লি। অসিগুম্বা খুদোংচাদবা থোরকপা মতমদা পেসেঞ্জরশিংনা মরী লৈনবা ইয়ার লাইন্স অমদি ইয়ারপোর্টকী গ্রাউন্দ ষ্টাফশিংদা নীংথিনা পাউ ফাওদুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংবিয়ু হায়না ইম্ফাল ইয়ারপোর্টকী মায়কৈদগী আপিল তৌরক্লি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং রাসিয়াগী রাস্ত্রপতি-ব্লাদিমির পুতিননা ঙসি ন্যু দিল্লিদা লৈবাক অনিগী চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা ৱারী শান্নগনি।

ঙসি অয়ুক রাস্ত্রপতি ব্লাদিমি পুতিনবু রাস্ত্রপতি ভবনদা ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। লোয়ননা রাজঘাটতা লৈবা মহাত্মা গান্ধিগী সমাধিদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি। ২৩ শুবা ভারত অমদি রাসিয়াগী চহিগী মীফম শরুক য়ানবা ঙরাং ন্যু দিল্লিদা থুংলখিবনি। মহাকপু প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা তরামা ওকখি। ঙসি পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা তোঙান তোঙানবা য়ান্ন-চে কয়া সহি তৌনরবা য়াই। মদুগী মনুংদা লল্লোন-ইতিক, শেল থুম, হকশেল, শিক্ষা, কালা সংস্কৃত্তি অমদি মেদিয়াগী মতাং য়াওরবা য়াই হায়রি।

রাসিয়াগী লুচিংবা অসিনা রাস্ত্রপতি-দৌপদি মুরমগসু ঙসি নুমিদাংৱাইরম উন্নগনি। পনবা য়াবদি, প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমদি রাস্ত্রপতি-ব্লাদিমি পুতিন হৌখিবা চহি ১১ অসিদা ১৯ লক উন্নখ্রে।

**অমিতঃ** কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, নুমিৎ হুমনিগী গুরজাট খোঙচৎতা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি।

ঙসি মহাকা অহমেদবাদতা স্বাদেসি জগরন মঞ্চনা শিনবা স্বাদেস উৎসব শ্রী

অমিত সাহনা হৌদোক্কনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা গান্ধিনগর, ভবথরর বনসকান্তদা চৎকনি। মসিগীসু মথক্তা নবার্ট অমদি আই.এ.এন.এ.আই. আর্ট সমিট ২০২৫-২৬ তসু শরুক য়াগনি। মন্ত্রিনা গান্ধিনগরদা নৌনা শাবা রেলৱে ওভর ব্রিজ অমদি অন্দর ব্রিজ স্পোর্টস কমপ্লেক্স য়াওনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি।

**আরবিআই(এল)ঃ** রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া (আর.বি.আই) ঙসি বাই মন্থলি মোনিটরি পোলিসি লাউথোক্লগনি।

আর.বি.আইগী মোনিটরি পোলিসি কমিতিনা নুমিৎ হুমনি চুপা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ঙসি অয়ুক বাই মন্থলি মোনিটরি পোলিসি অসি আর.বি.আইগী গভনর-সঞ্জয় মলহোত্রানা লাউথোকবা লেপখিবনি। পোলিসি অসিগী মনুংদা শেন্দোইগী চাং হন্থরকপা য়াবা তোঙান তোঙানবা হীরম ২৫ রোম য়াওরবা য়াই হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

মীয়াম অমসুং আহ.দি.পিশিংগী অকনবা খোঙজংদগী লাঞ্জেনলকপশিং হনজিলহনবা হৌরে। লৈমরাম হায়স্কুল রিলিফ কেম্পতা লৈরকপা আই.দি.পি. ২৫৭ ৱারোই চীংদা হনজিলহনখ্রে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অহানবা হেদলাইন পীরি।

পাউ অসি-সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন, সনা লৈবাক, নহারোলগী থৌদাং য়াওনা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন পীদুনা ফোংনরি।

পোপী থাবনা ঈচাও তত্তনা থোকহন্নবা মরম ওইরে হায়না হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা ফোংদোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা দা পিপলস

ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ইলিগেল মাইগ্রেসন অমসুং মসিনা য়েলহৌ ফুরুপতা পীরিবা শাফু য়েংশিনবীনবা পি.এমদা তকশিনখ্রে হায়না পোকফমদা হেদলাইন পীরি।

মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইনদা মরিরকশুবা সংস্কৃত্তন ডে পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংবা থেংনরে। নেসনেল থাক্তা মাইনোরিতি ওইনা লৈরবসু ষ্টেটকী থাক্তা মেজোরিতি ওইনা লৈবাক কম্যুনিতি কয়া য়াওরি। পোপুলেসন চাদা অনিদগী তাদনা লৈবা কম্যুনিতিশিংদা মাইনোরিতি ষ্টেটস পীরগনি হায়না বি.জে.পিগী এম.পি. অমনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ইন্দো ম্যান্মর ঙমখৈদা শম্বল খাবগী থবক কৈবু কৈওইবগী উতোং অহোবগুম হোত্রোং হোরব্রা, ঙমখৈ পরিংদা খাবা শম্বল ককথৎতুনা অমাং অতা থোকহল্লল্লে হায়না হুইয়েন লানপাউদা হেদলাইন পীদুনা ফোংবা থেংনরে।

অনিশুবা নাগা কিং চিল্লি ফেষ্টিবেল তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী সিভিলোং খুলদা হৌখ্রে হায়না গানফিয়ু মেলদা হেদলাইন পীরি।

দা এমান্যুয়েল থিওরোলোজিকেল সেমিনারিগী সিলভর জল্লি হৌখ্রে হায়না তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন পীরি।